ꯏꯔꯩꯕꯥꯛ
ইরৈবাক

২০ শুবা চহি ২১৭ শুবা মশিং | ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২, ২০২২ লাংবন ২৭ নি পানবা শগোলশেন | www.ireibak.in | লুপা ২.০০

গভর্নরনা দি সি শিংগা উন্নখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২১ ঃ গভর্নর লা গনেসন্না ঙসি দি সি শিংগা ভর্চুয়েলগী খুথাংদা ৱারি শান্নদুনা দিস্ত্রিক্তশিংগী লো এন্দ ওর্দরগী মতাংদা পাউ হংখ্রে। ৱারি শান্নবা অদুদা মহাক্না দিস্ত্রিক্তশিংদা য়েংশিনবা চৎপা খোঙচৎ অসি দিস্ত্রিক্তশিং অদুগী মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু হকথেংননা খংদোক্নবা পান্দমদনি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী মায়কৈদগী মখোয়গী ৱাকৎ কয়া অমসু খংবা ঙমখ্রে। দি সি শিংনা মাগী মাগী এরিয়াদা টি বি লায়না মুখৎনবা থবক লৌখৎনবসু মহাক্না খংহনখি।

ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিতিনা শিনবা পংদোংবমদা মনিপুর কনবগী থৌরম হৌদোকখিবা

ইরাবত অমসুং মহাক্কী খোঙলোইশিংনা পুন্সি কথোকলম্বনা মনিপুরগী ঙমখৈ ঙসি ফাওবা কন্দুনা লৈরিবনি

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২১ ঃ কুমজা ১৯৪৮ তা ইরাবত অমসুং মহাক্কী খোংলোইশিংনা পুন্সি কৎখিবগী মহৈনা ঙসি ফাওবা মনিপুরগী ঙমখৈ কন্দুনা লৈরিবনি হায়না মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিল সি পি আই গী ষ্টেট সেক্রেটরি কমরেদ এল থোইরেন্না ফোংদোক্লি।

ৱাফম অসি ঙসি লম্লাইগী ইরাবত পার্কতা পাংথোকখিবা মনিপুর কনখিবা নুমিৎ থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। লম্লাইগী চলৌ ইরাবত পার্কতা লৈবা ইরাবত নিংশিং হোলদা পাংথোকখিবা ৭৪ শুবা মনিপুর কনবা নুমিৎ থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা কমরেদ এল থোইরেন্না হায়খিবদা কুমজা ১৯৪৮ গী মতম অদুদা জন নেতা ইরাবত অমসুং মহাক্কী খোংলোইশিংনা মনিপুরগী ঙমখৈ কন্নবা থৱাই কখোকপগা লোয়ননা মথৌনা ফুদোক্তুনা থবক তৌরমখিবা অদুগী মপান্না ঙসি ফাওবা মনিপুরগী অপুনবা শক্তম তেক্ত কায়দবা ইতিহাসিক ওইরবা মনিপুর অমা ওইনা থম্বা ঙম্লিবনি। ঐখোয়না ঙসি পুৱারি অদু নিংশিংলিবা অসি মনিপুরবু ঙসিসু তেক্ত কায়দনা থম্নবা অনৌবা মীরোলদা পাউজেল পিনবগীদমকনি। জন নেতা ইরাবতনা মীওইবা খুন্নাইবু নুংশিরম্বা, মীওইশিংব অমগা অমগা থাক মান্ননা থম্নবা সোসিয়েলিষ্ট খুন্নাই অমা শাগৎনবা হোৎনরমখি হায়না কমরেদ থোইরেন্না ফোংদোকখি।

নিংশিংবা য়াবদি কুমজা ১৯৪৮ তা মনিপুর অসি অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা লৈরিবা ষ্টেট মচা মচাশিং পুনশিন্নরগা পুরবানচল প্রদেশ কৌবা ষ্টেট অমা পুনশিল্লগা শেম্নবা থৌরাং তৌরকপগী মায়োক্তা জন নেতা হিজম ইরাবতনা লুচিংবা মহাক্কী কম্যুনিষ্ট খোংলোইশিং, মনিপুর কৃষক সভানা সেপ্তেম্বর ২১ দা এম দি য়ু হোলদা মীয়ামগী মীফম অমা শিনখিবা নুমিৎ অদু নিংশিংবনি। নুমিৎ অদুদা এম দি য়ু গী মীফম অদু য়াওনবা মনিপুরগী মায়কৈ কয়াদগী মীওই কয়া থোমজিন্নরকখি। মদুদা লম্লাই মায়কৈদগী মীওই কয়া ধোল অমদি সাইত্রম য়াওবা রেল্লি অমা এম দি য়ু তম্না লাকপগী লম্বীদা পুংদোংবম পার্ক হায়না খংনরিবা মফম অসিদা লৈঙাক্কী সেক্যুরিতিগা অকনবা মুক্নবা অমা থোকখি। নুমিৎ অদু নিংশিংদুনা মনিপুর কনবা নুমিৎ অসি পাংথোকপনি। ঙসি পুংদোংবমদা লৈবা নিংশিং খুভমদা হৈ লৈ কৎলবা মতুং মফম অদুদগী মৈরা লৌরগা ষ্টেট সেক্রেটরি এল থোইরেন্না পিপলস সার্ভিস কোরগী ভলুন্টিয়ারশিংদা শিন্নরবা মতুং মৈরা অদু ইরাবত পার্কতা লৈরিবা ইরাবতকী খুভমদা থম্নবা কমরেদ লাঙ্গোল ইবোয়াইমাদা অমুক শিন্নখি। তুংদা মীয়াম্না খুভমদা অমদি ইরাবতকী ফোটোতা লৈশু কৎলবা মতুং মপুং ওইবা থৌরম চত্থবা হৌখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংখিবা কমরেদ এল সোতিনকুমারনা ইরাবতকী থৌরম পাংথোকপগা লোয়ননা ইহৌ অমসুং লৌমী মীয়ামগী খোঙজংগী মতাংদা ৱা ঙাংলদুনা ঙসি মনিপুরদা লৌমী মীয়াম হার ফংদবগী ঈশিং ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। মতাং অসিদা লৈঙাক্তা তকশিনবগী পুৱারি অদু ইরাবতনা তন্বীরম্বদগী ঙসি ফাওবা সি পি আই না ইরাবতপু নিংশিংবগী থৌরম পাংথোকপগা লোয়ননা লৈঙাক্তা দিমান্দ কয়া তকশিন্দুনা লাক্লি হায়খি।

কমরেদ লাঙ্গোল ইবোয়াইমানা জৱাহরলাল নেহরুনা লুচিংবা কুমজা ১৯৪৮ কী ইন্দিয়া লৈঙাক অদুনা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াবু মুন্না মশক খংখিদে। মদুমক্না মনিপুরগুম্বা চহি লিশিং কয়াগী পুৱারি লৈজরিবা লৈবাক অমবু হেক্তা পুর্ব্বানচল প্রদেশতা পুলহন্নবা হোৎনখিবনি। অদুবু খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা ইরাবতনা লুচিংদুনা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী ভলুন্টিয়ারশিংগা পুন্না খোঙজং চংশিল্লকখিবগী মহৈনা মনিপুর পুর্ব্বানচলদা পুল্লমগদবদগী থিংবা ঙমখি। থৌদোক্তুদা লম্লাই নোঙদাদগী ফৈরোইজম কহ্নাই মচানচিংবনা অঙকপা থৌনাগা লোয়ননা চাওনা থৌদাং য়াখি। মখোয়না মনিপুরবু পুর্ব্বানচল প্রদেশতা পুনবা য়ারোই হায়বা খোঙজংদা পুলিসকী চৈফু কয়া মায়োক্নখি হায়না ফোংদোকখি।

পি এম না পাল্লিবদি নুপীশিং অহোংবা পুরকপনি – সরদা দেবী

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২১ ঃ প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭২ রক শুবা মপোক নুমিৎকা মরি লৈননা চত্থরক্লিবা “সেবা পখ্বারা” গী শরুক অমা ওইনা বি জে পি মনিপুর প্রদেশনা শিন্দুনা লাইরিক “মোদি @ ২০” গী মতাংদা নোংমগী ওইবা ষ্টেট লেবেল সেমিনার অমা ঙসি কোনুং মমাংদা লৈবা সিটি কনভেন্সনদা পাংথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মনিপুরগী চিফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, বি জে পি মনিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ সরদা দেবী, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর ফুদ প্রোসেসিং এন্দ জল জিবন প্রহ্লাদ সিংহ পতেল, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর ইদুকেসন দোক্তর আর কে রঞ্জন, মনিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টরশিং, এম এল এ শিং কয়াসু শরুক য়াখি।

বি জে পি মনিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ সরদা দেবীনা হায়খিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অমত্তা ওইবা চপ মান্নবা ৱাখল্লেন্দা ভারততা অহোংবা কয়া পুরক্তুনা শোথরবা সেক্সন অমদি নুপীশিংদা শক্তি হেন্না পিদুনা অওনবা অমা পুরক্লি। মনিপুরগী পার্টিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট অমদি পার্লিয়ামেন্ট নুপী এম পি ১১ লৈবদা কয়ানা য়ুনিয়ন কেবিনেৎ মিনিষ্টর ফম পুহনল্লিবসি নুপীবু ইকায় খুম্নবদু উৎপনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী মরমদা ফোংলিবা লাইরিক অসি হৌগৎলক্লিবা নহাশিং কুপ্না নৈনবা মথৌ তাই। লৈবাক অসিগীদমক নহাশিংনা লৌফম থোকপা থৌদাং অদু ঙম্নবা লাইরিক অসি য়াম্না মরু ওই হায়খি।

লাইরিক অসিগী মতাংদা চিফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না ৱা ঙাংখি। মদুদা মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী চহি ২০ রাজনিতিদা থবক তৌরক্লিবা অসিগী মতাংদা নিংথিনা তাক্লি। হান্নদগী চৎনরকপা সিষ্টেম অদু হোংদোক্তুনা ভারত মচানি হায়বদা মালেমদা চাওথোকচবা অদু ফাওহল্লি।

মাংদা থবক্না উৎতুনা লৈরবসিদা প্রাইম মিনিষ্টর থবক তৌদে হায়না ক্রিতিসাইজ তৌরিবসি করিগীনো। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদি ফ্লেগ পাইরগা লাওবগী মহুৎ থবকনা ওইনা উৎপা লুচিংবা অমনি। মহাক্কী তুং ইন্দুনা ভোকেল ফোর লোকেলগী শরুক অমা ওইনা মনিপুরগী লোইশঙশিং লমদম অসিদা শাজবা খাদি ফি লোইনা শিজিন্নরগনি। স্কুলগী য়ুনিফোর্মসু খাদিনা শিন্নবা খন্নরি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাং নোংপোক ভারত্তা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎপদা নত্তনা ইমোস্নেল ইন্টিগ্রিটি অমা শাগৎলকলি। মতম অমদা পার্টিগী লুচিংবা উননবা সেন্টরদা চৎপদা ফি শেম্নরম্বদু হৌজিক্তি লৈখিদ্রে। ইমুং মনুং ওইবগী ৱাখললোন অদু লৈহন্দুনা অমত্তা ওইবগী লীপুন্দা প্রাইম নিষ্টির নরেন্দ্র মোদিনা পুরক্লি।

মনিপুর ভারত্তা তিনখ্রবা মতুং মতম শাংনা মীরাইদুনা লাকপা পার্টিনা খোংচৎকা চৎলিবনি হায়না তৌরিবসি উবদা য়াম্না ৱাই। মনিপুর মচেৎ তানা থুগায়নবা হোৎনরমবগী চাংসু লৈখি। মখোয় মতমদা হায়দোক্লমদবা থবকশিং বি জে পি লৈঙাকনা ফল লাওথোকখি। হায়দোক্তুনা লৈরিবা কয়াসু থখাইসিদা হায়দোক্লবা হোৎনরি হায়খি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট প্রহ্লাদ সিংহ পতেল অমদি দোক্তর আর কে রঞ্জনসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মতাংদা শুগাইনা ৱা ঙাংখি।

রিমসকী নর্স অমদা নোংমৈনা নমদুনা কিহল্লম্বগী কেজুয়েলিতি থিংলুরে চেন্নবা মীওই পুলিসনা ফারে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২১ ঃ রিমস হোস্পিটালগী কেজুয়েলিটি অমসুং ইম্মর্জেন্সি সার্ভিসতা মথৌ তৌরিবা নর্স অমদা সেপ্তেম্বর ২০ গী নুমিদাং পুং ৭.৪৫ রোম তাবদা পেসেন্ট পার্টি অমগী মীওই অমনা নোংমৈ উৎতুনা অকি অখং পিরম্বগী মায়োক্তা রিমসকী নর্সশিংনা ঙসি কেজুয়েলিতি থিংজিন্দুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

অমরোমদা মথৌ পাংথোক্লিবা রিমসকী নর্স অমদা নোংমৈ উৎতুনা কিহল্লম্বা মীওই অদু লম্ফেল পুলিসনা ফারবা মতুং এফ আই আর চন্দুনা কেস অমা লৌখৎখ্রে। পুলিসনা ফারবা মীওই অদুগী মমিং খাঙেম্বম রতন চহি ৪৫ সেগা রোদ তখেল্লম্বম লৈকায়দগীনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা রিমস নর্সেস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ঙসি হোস্পিটাল অসিগী কেজুয়েলতি মমাংদা ৱাকৎ মীফম চত্থখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী রিমস নর্সেস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ওক্রম সুনিতানা ফোংদোকখিবদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৪৫ রোম তাবদা মীওই অমনা পেসেন্ট অমদা হিদাক কাপ্পিয়ু হায়রকখি। কেজুয়েলিতিদা অনাবা য়াম্না চিনবা মতম অদুদা হিদাক কাপ্পিয়ু হায়রকপদা মথৌ তৌরিবা নর্স অদুগী মায়কৈদগী বেদ নম্বর কয়ানো হায়না হংলুবদা মীওই অদুনা হৌজিক বেদ নম্বর থিবগী মতম নত্তে। মতৌ করম্না বেদ নম্বর থিগদৌরিবনো হায়দুনা মহাক্কী বেগতগী নোংমৈ মচা অমা শৎতোক্লগা নর্স অদুদা কিহল্লকখিবনি। লোয়ননা মহাক রিমসতা কন্ত্রেক্টর ওইবনি হায়নসু মশক তাক্লকখি।

লাইবক ফবদগী থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই অদু পুলিসনা ফারে। হিরম অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিস্নেল এস পি না নর্স এসোসিয়েসন্দা চেন্নবা মীওই ফারে হায়না খংহল্লক্লে। অদুবু নর্স এসোসিয়েসন্না পাল্লিবদি মীওই অদু ফাবা খক্তা নত্তনা মহাক্কী নোংমৈগী লাইসেন্স ককথৎকদবনি। রিমসতা কন্ত্রেক্টর ওইবদগীসু অথিংবা থমগদবনি হায়খি। মীওই অসিগী মথক্তা আইনগী ওইবা অকনবা মীৎয়েং চংহন্নিংই হায়খি। ঙসি চত্থখিবা ৱাকৎ মীফম অসি পুং খরা খক্তগীনি। খোঙজং অসি চত্থরবসু অনাবশিংগী য়েংলগা ৱার্দতা নর্সশিং দ্যুতি অদুমক তৌখি। কেজুয়েলিতি মতম খরা থিংলবসু ইম্মর্জেন্সি সার্ভিসতা অকায়বা অমত্তা পিখিদে হায়না সুনিতানা ফোংদোরকখি।

পুলিসতগী ফংবা পাউদা নর্সতা নোংমৈ পুথোক্তুনা কিহল্লম্বা টি ঐচ রতন হায়রিবা মীওই অসিগী মনাওনুপাগী মচানুপা অমা স্ক্রুফ তাইফদসনি হায়না চিংনবা তিল অমনা চিকপদগী রিমসকী কেজুয়েলিতিদা লায়েংবা লাকপনি। মহাক্না মথৌ পাংথোক্লিবা নর্স অমদা নোংমৈ পুথোক্তুনা অকি অখং চত্থরম্বা অদুগী ভিদিও ফুটেজ রিমসকী সি সি তি ভি কেমেরাদগী ময়েক শেংনা উবা ফংলে। লোয়ননা পুলিসনা ভিদিও মতেক অদুসু কেসকা মরি লৈননা লৌশিল্লে হায়রি।

মরক অসিদা রিমসকী নর্স অমদা নোংমৈ পুথোক্তুনা অকি অখং পিরম্বগী থৌদোক অদুবু টিচর্স এন্দ মেদিকেল ওফিসার এসোসিয়েসন রিমসকী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। রিমস কেজুয়েলিতিগী হেলথ কেয়ার প্রোভাইদর অমদা অসিগুম্বা মখলগী থৌওং চত্থরম্বা অসি এসোসিয়েসন্না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

লৈবাক অসিগী মেদিকেল কম্যুনিতিগী মায়কৈদগী অনা লায়েংশঙশিংবু ভাওলেন্স ফ্রি জোন ওইহন্নবা অকনবা খোল্লাও লাওদুনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোক অমা রিমসতা থোকপা অসি য়াম্না লাইবক থিবা অমনি। এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী মরি লৈনবা খুদিংমক্না রিমস হোস্পিটালবু ভাইওলেন্স ফ্রি জোন অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি।

লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং আইনগী ওইবা মতিক চাবা থবক লৌখৎপিয়ু। মনিপুর মেদিকেয়ার সার্ভিস পার্সোনেল এন্দ মেদিকেয়ার সার্ভিস ইন্সটিট্যুসন (প্রিভেন্সন ওফ ভাইওলেন্স এন্দ দেমেজ টু প্রোপর্টি) এক্ট ২০১৫ গী মখাদা চৈরাক পিবিয়ু হায়নসু এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী তকশিল্লক্লি। মরক অসিদা ঙসি রিমসকী দাইরেক্তর এ সান্তনা থা ৬ কী মনুংদা রিমসতা আই সি য়ু বেদ ১০০ রোম লৈবা ক্রিটিকেল কেয়ার য়ুনিট অমা হাংলগনি ফোংদোকখ্রে। ৱাফম অসি মহাক্না নৌনা শাবা ইন্টেন্সিপ কোরোনারি কেয়ার য়ুনিট অমগা শঙ্গাবগী থৌরমদা হায়খিবনি।

নুপী ফন্নানবদা চেন্নবা মীওই অনি আর পি এফ না শিবগী চৈরাক পিরগনি

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২১ ঃ লুপকী মিং শিজিন্নদুনা নুপী ফন্নানবদা চেন্নবা মীওই ২ আর পি এফ না শিবগী চৈরাক পিরগনি হায়রি। আইন্না থিংখ্রবা রিভোলুস্নরি পিপলস ফ্রন্টকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি পল্লিসিতি বঙ্কিমনা খুৎয়েক পিদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হৌখিবা সেপ্তেম্বর ২০ গী লোকেল টি ভি চেনেলশিংদা অমদি নুমিদাংৱাইরমদা ফোংবা পাউচেশিং লোয়ননা সেপ্তেম্বর ২১ গী অয়ুক্তা ফোংবা পাউচেশিংদা ইম্ফাল ইষ্টকী তখেল সঞ্জেনবম চীংদা কৌদুনা লালহৌবা অমগী মীওই অমনা নোংমৈনা নমদুনা অপোকপা মপাগী মমাংদা নুপীমচা অমবু ফন্নানবিখিবগী থৌদোক অসি আর পি এফ না নুংঙাইতবা ফোংদোক্লি।

মখা তানা ওৎপি নৈবিবগী চৈথেং খাংলিবা নুপীমচা অসিগী ইমুংগী অৱাবদসু শরুক য়াবা ফোংদোরক্লি। আর পি এফ না মীয়ামদা লমচৎ নাইদবা মীওইবগী মীনুংশি য়াওদবা থৌদোক অসিদা হকথেংননা চেন্নরিবা মীওই ২ অসিগী মতাংদা ৱারোল খরা থমলি। থা অসিগী ১২ দা নুপীমচা অসিবু ফন্নানবদা হকথেংননা চেন্নরিবা খাঙেম্বম সঞ্জোয় (অথোই, পাম্বৈ) চহি ২৮ অপোকপা কে ঐচ মংলেম্বা কুম্বী সেতাপুর মনিং লৈকায় হায়রিবা নুপা অসি থা অহুম অমুক্কী মমাংদা আর পি এফ কী ৱাখল্লোন থাজে লুপকী থবক তৌজগে হায়রকপদগী লুপ অসিগী চৎন কাংলোনগী মতুং ইন্না থবক তৌহনবা য়াবা নৎত্রগা য়াদবা মীওইরা হায়বগী চাংয়েংদা লৈরিবা লুপকী করিগুম্বা থবক অমত্তা শিনদ্রিবা মীওই অমনি।

মরক অসিদা তম্পাক্তা লৈরিবা লুপকী মীওইশিংনা খুৎলাই পুদুনা চৎপা য়াদবা ফিভম অমা লৈবদগী সঞ্জোয় হায়রিবা নুপা অসিদা পুলিসনা ফাবদা য়াওই হায়রিবা নাইন এম এম পিষ্টোল অসি লোৎতুনা থম্নবা শিন্নরম্বনি। কুমজা ২০১৮ দা নুপী মচা অসিবু ফন্নানবদগী চেন্নদুনা জেলদা লৈরুরবা লৈশাংথেম খোমৈ চহি ৫৩ অপোকপা লৈখিদ্রবা এল বিধু সিংহ, হরাওরোক ময়াই লৈকায় ইম্ফাল ইষ্ট হায়রিবা নুপা অসিমদি আর পি এফ কা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা মরি লৈনদে হায়রি। লুপ অসিদা অসিগুম্বা নুপী খুন্নাইবু হন্থনা য়েংবা মীওইশিংগী চন্নফম লৈতে। অমরোমদা কুমজা ২০১৮ দা নুপী মচা অসিবু ফন্নানখিবগী কেস অদু আর পি এফ কী অহনশিংগী য়াথং মতুং ইন্না ৱায়েল ফংহল্লগনি হায়না সেপ্তেম্বর ১২ দা ইম্ফাল ইষ্টকী তখেল সঞ্জেনবম চীংদা কৌরগা নোংমৈনা নমদুনা অপোকপা মপা মক্কী মমাংদা ফন্নানহনখিবা অসি আর পি এফ না হকচিন্না লৌই।

থৌদোক অসি হান্না ফন্নানবদা চেন্নবা খোমৈ অমদি সঞ্জোয় অনিনা শিন লাংদুনা লৌতুনরগা চত্থখিবা থবক্লি হায়বসি লুপ অসিনা থিগৎপদগী খংলে। লুপকী মীং শিজিন্নদুনা লুপপু চেম্থহন্নবা তৌরিবা মীওইশিং অসি লুপকী য়েক্নবা ওইবত্তা নত্তনা লৈবাক্কী অমদি মীওইবা খুন্নাইগী য়েক্নবনি। কনাগুম্বা নুপা অমনা নুপীবু ফন্নানবদা শিবগী চৈরাক পিবা হায়বসি আর পি এফ কী চৎন কাংলোনদা ইদুনা লৈরিবনি। মরম অসিনা খোমৈ অমদি সঞ্জোয় হায়রিবা মীওই ২ অসিগা লুপকী মীং ফাওবা শিজিন্নদুনা নুপী ওইবীবু হন্থবা মীৎয়েং য়েংবা অমদি ফন্নানবগীদমক আর পি এফ না মীওই ২ অসি শিবগী চৈরাক পিরগনি হায়রি।

ষ্টেট কেবিনেটনা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পিখিবা ৱারেপ হন্দোকউ

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২১ ঃ ষ্টেট কেবিনেটনা য়ু শুংবা অমদি য়ুঙাং য়োনবগী অয়াবা পিখিবা ৱারেপ হেন্দোক্কদবনি হায়না কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগ অন্দ অলকোহোল (কাদা) না ফোংদোরক্লি। ঙসি কোনুং মমাং পুরৈরোম্বা খোংনাংখোংদা লৈবা কাদাগী ওফিসতা পাংথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কাদাগী জেনরেল সেক্রেটরি গিতচন্দ্র মঙাংনা মনিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেটনা সেপ্তেম্বর ২১ দা ষ্টেট অসিদা য়ু শুংবা অমসুং য়োনবগী অয়াবা পিখিবা ৱারেপ অদু কাদানা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। ৱারেপ অসি খুদক্তা হন্দোক্কদবনি। মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মরম অমদি য়ু অমদি ময়াই কাবা নিষাশিং অসিনি।

মনিপুর অপুম্বগী মীশিংগী চাদা ৮০ দি ময়াই কাবা নিষা মখল অমা নৎত্রগা অমা শিজিন্নে। চহি ১৫ গী মথক্তা লৈবা নুপা চাদ ৩৭.৫ নুপীনা চাদ ০.৫ য়ু থকই হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ার ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী নেস্নেল ফেমিলি হেলথ সর্ভে ২০১৯ – ২০ দা ফোংদোকপা লৈখ্রে। মনিপুর অসি ইন্দিয়াগী ওইনা য়ু খ্বাইদগী থকপা ষ্টেটশিংগী মনুংদা ৫ শুবদা লৈরি। য়ু থক্লগা মীহাৎ মীপুন, খৎন চৈনবা, নুপী অঙাংদা ওৎ নৈবা কয়া থোকহল্লি।

মনিপুর লিক্কর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ শেমদুনা য়ু থিংনবা হোৎনরিবা লৈঙাক অসিনা ঙসি ফাওবা এক্ট অসি থবক্তা ওন্থোক্নবা মশক থোকপা থবক অমত্তা পাংথোকপা লৈতে। মদুগী মহুত্তা য়ু লিগেলাইজ তৌদুনা মপান্দা থাদোক্লবা ৱাফম এসেমব্লিদা ফাওবা পুখৎলকপদা কাদা অমদি মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোংদোকপা লৈখ্রে। মরক অসিদা ষ্টেট কেবিনেটনা য়ু শুংবা অমদি য়ুঙাং য়োনবগী অয়াবা পিখিবা অসি লাইবক থিবনি।

লৈঙাক মশানা শেমজবা এক্ট চল্লাইবা ঙমদ্রগা ষ্টেট অসিদা য়ু থিংবা ঙমদ্রে হায়বসি লৈঙাক অমগী মথৌ পাংথোক্তবা লৈঙাক পায়রিবশিং মতিক চাদে হায়বনি। থিংবা ঙমদ্রবদি হেক্তা লিগেলাইজ তৌগনি হায়রবদি করপসন, দ্রগ অমদি প্রোষ্টিট্যুসনসু থিংবা ঙমদ্রবনিনা লিগেলাইজ তৌগদৌরিব্রা। য়ু থিংবদা মনিপুরদা টুরিষ্ট লাকনিংদ্রে হায়রিবসি হান্নদগী টুরিষ্টশিং লাকপদা য়ু থকপগী অয়াবা পিদুনা লাকপনি হায়না পেন্দবা ফোংদোকখি।

অয়ুসকী হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্টরদা ওনবা য়ারোই

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২১ ঃ ময়াংলাংজিং ইবুধৌ কৌব্রু লাই কম্মিতিগী চেরোল অমদা হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর ময়াং লাংজিংদা অপগ্রেদ তৌখ্রবা হান্না প্রাইমারি হেলথ সব সেন্টর ওইরম্বা সেন্টর অসি নৌনা অয়ুস হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর ওল্লে হায়রিবসি য়াবা ঙল্লোই হায়রি। হিরম অসিগা মরি লৈননা হৌখিবা সেপ্তেম্বর ১৮ দা ময়াংলাংজিং ইবুধৌ কৌব্রু কম্যুনিতি হোলদা ময়াংলাংজিং, অখাম, ক্কাসিফাই, লাইঙম খুল্লেন অমদি লম্থাল সেন্টর অসিনা কোনবা লমদমশিংগী ক্লব মৈরা পায়বী অমদি খুলগী কম্মিতিশিংগী ওইবা মীফম অমা পাংথোক্তুনা মতম কুইনদগী প্রাইমারি হেলথ সব সেন্টর ওইনা লৈরক্লবা সেন্টর অসিবু অয়ুসকী সেন্টর ওনখৎলে হায়রিবসি য়াবা ঙল্লোই হায়না ৱারেপ লৌখ্রে।

সেন্টর অসি অয়ুসমান ভারতকী মখাদা হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর ময়াং লাংজিং হায়না অপ গ্রেদ তৌরে হায়দুনা কম্যুনিতি হেলথ ওফিসার আশা সেন্টর অসিগী ষ্টাফশিং য়াওনা খুলশিংদা লৈবা য়ুমথোং খুদিং চংদুনা মীওই কয়াগী ব্লদ প্রেসর, হার্ট, টেম্পরেচর অমদি সর্ভেশিং তৌদুনা মখল কয়াগী টেষ্ট তৌদুনা মীয়ামগী ৱাখল্লোন্দা দোক্তরশিংগা অনাবশিংগী মরক্তা অফবা মরি অমা শাগৎলে হায়না নুংঙাইবা হৌরকপা মতাংদা অয়ুস হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর ময়াং লাংজিং হায়না পোষ্টর থেৎচিল্লকপা অসিনা খুঙ্গং অসিগী মীয়াম অমদি সি এস ও শিংদা চম্মনবা পোকহল্লে।

চম্মনবা লৈরিঙৈ মরক্তা হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর অসিগী মখাদা লৈফম থোকপা জন অরোগ্য সমিতি অমসুং প্রধাননা চিয়ারপার্সন ওইদুনা জুন ২০ দা শেমখিবা সমিতি অসি হেলথ এন্দ ৱেলসনেসগী মখাদা লৈগদবনি অদুবু নুমিৎ অদুগী মীফমদা শরুক য়াখিবা ক্লবকী মীহুৎশিং মৈরা পায়বী খুল খুলগী কম্মিতিশিংনা মাগী মাগী অইবা মতশিং থম্নখি। করিগুম্বা সেন্টর অসি অয়ুসকী মখাদা লৈবা তারগদি সেন্টর অসিদা হান্না খুদোংচাবা পিরম্বা অঙাংশিংদা মতম মতমগী ভেক্সিনেসন তৌবা, পোলিও পিথকপা অসি মাংখ্রগনি। মসি লৈত্রবদি খুঞ্জাশিং খুরখুল পি ঐচ সি নৎত্রগা ফৈয়েং পি ঐচ সি তান্না লাপ্না চৎতুনা অঙাংশিং ভেক্সিনেসন তৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নবা থোক্কদৌরি।

মরম অসিনা হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর নৎত্রগা হান্নগী প্রামারি হেলথ সেন্টরগী থাক্তা অদুম্মক লৈহনবিয়ু হায়রি। প্রাইমারি হেলথ সব সেন্টর অসি হেলথ এন্দ ৱেলনেসকী থাক্তা ওনখৎলগা আয়ুসসু সেন্টর অসিগী মখাদা হাপচিনবদা অকায়বা লৈতে। অয়ুসকী সেন্টর ওইনা ওন্থোকপদি খুঞ্জাশিংনা য়ানিংদে।

মরম অসিনা ষ্টেট মিসন দাইরেক্তর মনিপুর অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ অয়ুস মনিপুর অনিগী মরক্তা ময়াং লাংজিংগী হেলথ সেন্টরগী মতাংদা ইন্নখিবা এম ও য়ু হন্দোকপিয়ু। দিষ্ট্রিক্ট মরিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা পি ঐচ এস সি ময়াংলাংজিংবু অয়ুসকী সেন্টর ওন্থোক্নবা খনগৎপদা য়াওরক্লিবা অসি হন্দোকপিয়ু হায়না লমদম অদুগী মীয়াম্না ফোংদোরক্লি।

পোৎ চৈ মমল তাংবগী মায়োক্তা রেল্লি চৎখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২১ ঃ সি পি আই এম না পোৎচৈগী মমল তাংবগী মায়োক্তা ঙসি রেল্লি অমা চৎপগা লোয়ননা জন নেতা ইরাবতনা পুর্ব্বানচল প্রদেশ শেম্বগী মায়োক্তা মনিপুর কন্নবা অন্দরগ্রাউন্দ তাখিবা নুমিৎ নিংশিংদুনা ইরাবতকী পুন্সিগা শাগোন্নরক্লবা এম দি য়ু হোলদগী মোইরাংখোমদা লৈবা ইরাবতকী মুর্ত্তি ফাওবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

তুংদা ইরাবতকী মুর্ত্তি অদুদা সি পি আই এম মনিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম সান্তনা লুচিংদুনা লৈশু কৎখি। থৌরমদুদা পার্টি অসিগী সেক্রেটরিয়েৎ মেম্বর সরত সলাম, নোংমাইথেম থোইবা, অসেম বিনোদিনি, মনিপুর লৌমী মরুপকী থৌনাওজম সরত, য়ুম্নাম রতন, ওল মনিপুর দেমোক্রেতিক ৱুমেন্স এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি এ আশালাতাসু শরুক য়াখি। রেল্লি অসিগা মরি লৈননা ক্ষেত্রি সান্তনা ফোংদোকখিবদা পার্টি অসিনা সেপ্তেম্বর ১৪ দগী ২৪ ফাওবা পোৎ চৈ তাংবগী মায়োক্তা, চানবা চিঙ্গাক্তা জি এস তি লৌবগী মায়োক্তা, অর্ব্বান ইমপ্লোয়মেন্ট স্কিম শেম্নবা, এম জি নরেগা, নুমিৎ ২০০ থবক শুনবা লোয়ননা খুৎশুমল নোংমদা লুপা ৬০০ ফংহল্লু, পেত্রোলিয়ম প্রদক্টশিংদা লৌবা টেক্সশিং হন্থো, লৌমীশিংদা মিনিমম সপ্পোর্ট প্রাইস পিয়ু।

মাইনোরিতি দলিত অমসুং ত্রাইবেল লোয়ননা নুপীশিংগী হক কল্লু হায়বা দিমান্দশিং তান্দুনা খোঙজং চংশিন্দুনা লাকখি। মসিগা লোয়ননা ইদুকেসন প্রাইভেটোইজ তৌগনু। সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেট, সি বি আই অমদি এন আই এ নচিংবা এজেন্সিশিং লান্না শিজিন্নগনু হায়না খোঙজং চংশিন্দুনা লাকখি। পার্টি অসিনা চংশিল্লিবা খোঙজংশিং অসিদা মীয়াম্না শৌগৎতুনা লাক্লি। ঙসিগী মীয়ামগী খোঙচৎ অদুদা পার্টিগী লুচিংবা সরত সলামসু ৱা ঙাংখি। সেপ্তেম্বর থাবুম অসিদা পার্টি অসিনা ইরাবত অমদি পোৎচৈগী মমল তাংবগী মায়োক্তা খোঙজং সংশিনখিগনি।

MODI@20
Sewa Pakhwada

সেবা পখ্বরা শরুক অমা ওইনা সিতি কনভেন্সনদা পাংথোকপা ষ্টেট লেবেল সেমিনার পাংথোকখিবা

হেলথ মিনিষ্টর দাক্তর এস রঞ্জন্না ফমুং ৫০ লৈগদবা ট্রোমা সেন্টর অমা শানবা নেনেদা উরেপ উয়ু তমখিবা

গভর্নর লা গনেসন্না ভরচুয়েলগী খুথাংদা দি সি শিংগা ৱারি শান্নখিবা